FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	87.958282
US Dollar	74.153700
British Pound	97.310431
Australian Dollar	53.903015
Chinese Yuan Renminbi	11.236654
Japanese Yen	0.714135
Malaysian Ringgit	18.038994
Singapore Dollar	55.197962
South Korean Won	0.066556
Saudi Arabian Riyal	19.774320
Thai Baht	2.427855
Myanmar Kyat	0.05751
Bangladesh Taka	0.87529

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	51590.00
Mumbai	–	Rs	51570.00
Delhi	–	Rs	51509.00
Kolkata	–	Rs	51766.00

য়ানবা পুরকখ্রে...

লামায় ১গী মখা... য়ানবা অদুদি পাউ তোয়না ফাওদোক্লদুনা মুসুগী থবকশিংদা পুন্না তানদুনা তৌমিন্নবা হায়না অমত্তা ওইনা লেপ্লরে। য়ুনিভর্সিটি অসিগী মখা তাবা চাউখৎ থৌরাংদা য়ুনিয়ন্না মায়পুননা য়েংশিনদুনা য়ুনিভর্সিটি অসিবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা অমত্তা ওইনা ৱারেপ্পখি। হোষ্টেলগী ইস্যু কয়াসু ওথোরিটিগী মায়কৈদগী অথুবদা লোইশিনবীনবা তকশিনখ্রে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

হেন্দ গ্রেনেদ ১ থল্লগ্লে...

লামায় ১গী মখা... খরনা মঙোন্দা পীয়ু হায়দুনা খাউ অমদা করিগুম্বা পোৎশক অমা হাপ্পগা পীরম্বনি। খাউ মনুংদা য়াওরিবা পোৎশক অদু হাংদোক্লুনা য়েংলুবদা হেন্দ গ্রেনেদ অমা য়াওরম্বা থেংনখি। খুদক্তা সিটি পুলিসতা পাউ পীরগা ও সী, এম সুধির লাক্লুনা পোৎশক অদু লৌখৎখ্রে।

মেয়রনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা মঙোন্দা কিহন-খংহল্লকপা অমত্তা লৈতে। চুম্নগী পার্কিং পীয়ু, সুলাবকী টোইলেট রন তৌবগী মতাংদা তকশিনবা কয়াদি লৈ হায়রি। ঙসি হেন্দ গ্রেনেদ থল্লম্বা কাঙবু অদু কনানো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

এম রামেশ্বরবু...

লামায় ১গী মখা... অতৈ অতোপ্পা মফম অমত্তদা অসিগুম্বা মখলগী শীংথানিংঙাই ওইবা থৌরাং অমত্তা লৌখৎলকপা লৈখিদবা মরম্না চীফ মিনিষ্টরগী ৱাখল্লোন অসি মপুং ফানা থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনরগনি।

হায়কোর্টনা পীখিবা ৱায়েল অদুগী মতাংদা মহাক্লা হায়খি, নীংশিংনিংঙাই ওইবা কোর্টকী ৱায়েল অদুনা মরম ওইরগা জুদিসল সিষ্টমদা থম্বা থাজবা অমুক্কা হেন্না মরা চেৎশিল্লে হায়না লৌবা য়াই। মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলীগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দনা এম রামেশ্বরবু থবক পায়বা অমদি অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌখি।

GAS NEWS

M/S K&K INDANE SERVICE
Booking upto : 28/09/2020
Valid from : 23/09/20
Time : 7.30 to 11am
TANGLEI GAS OINAM
Valid from :22-09-20
Booking upto : 24-09-20
Stock 306
Time : 7am to 10am
IMPHAL LPG SERVICES
Digital transaction and online payment encouraged
5.kg 19.kg available
Enquiry numbers : 6009392991 8014389420 9612718751
Enquiry time 8.30 to 1.pm
Please do not contact driver and handy man except office no i.e. office no
KHUMBONG INDANE
Booking upto : 15-09-20
Only home delivery
(within 3 days)
Contact no. 7005771527
Office no. 9774068549
Whatsapp no. 8794973019
Time 7.30am to 10.am
HIYANGTHANG IDANE
Booking upto : 11-09-20
Only home del.
Cont.no. 7005934398. 7629076494. 8787330040.
Whatsapp no. 7085557686.
Office no. 6381538861.
Timing 7.a.m.to 11.a.m.
HRANGCHAL GAS AGENCY
VALID FROM: 20/08/2020
BOOKING UPTO: 21/08/2020
BOOKING ONLY: 03852444677
ENQUIRY ONLY: 9436280866
TIMING: 8:00AM to 12:00PM
MANIPUR GAS SERVICE
Booking upto : 09/10/2020
Valid from : 21/09/2020
Home Delivery Only....
Contact no: 8730954041, 8259969582
Office Timing: 8 am to 12.00noon
Note:- DELIVERY TIME WILL TAKE 4 DAYS
KHONGNANG GAS AGENCY NINGTHOUKHONG
Booking upto : 09/11/2020
Valid from: 02/11/2020.
Please Contact: 7085412119, 7085411559
Time: 7:30am to 10:30 am.
M/S MISAO GAS SERVICE
ONLY HOME DELIVERY
Booking Upto 14.2kg-27/10/2020
Valid from-05/10/2020
***19kg Available
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM
MAIBIA GAS MOIRANG
BOOKING UPTO : 26/09/2020
VALID FROM : 25/09/2020
STOCK= 306
(HOME DELIVERY SERVICE)
CONTACT NOS. 1.DILIP - 9612883295 (MOIRANG A/C). 2.AJAY--7005667570 (THANGA A/C), 3.AMARJIT-9862710469 (KUMBI A/C)
BOOKING CONTACT NO. 7085972248
TIMING--8 AM TO 12 NOON.

দি এম য়ুনিভর্সিটিগী ব্লোক-বি অমসুং কর্ম্মস ব্লোক্কী ফিভমদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর পেনখিদ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯(ঐচ এনএস): হৌজিক শাগৎলিবা ধনমঞ্জুরি (দি এম) য়ুনিভর্সিটিগী ফিভ্মশিং হকথেংননা চত্নুনা য়েংশিনখিবা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর সোরোখাইবম রাজেননা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ক্লাস রুম ব্লোক-বি অমসুং কর্ম্মস ব্লোক্কী ফিভমশিংদা অপেনবা পোকখিদ্রে হায়রি।

অদুমওইনমক মিনিষ্টরনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ বিল্ডিং, সেন্ট্রেল লাইব্রেরি, হ্যুমেনিটি অমসুং সাইন্স ব্লোককী শাগৎলিবা ফিভমশিং অদুগী প্রোগ্রেসতদি অপেনবা ফোঙদোকখি। অদুবু ক্লাস রুম ব্লোক-বি অমসুং কর্ম্মস ব্লোক্কী কন্সট্রক্সনগী ওইরল্লিবা ফিভম অদুগী মতাংদদি থবকশিং অসিগী কন্ট্রেক্টরশিংদা শো কোজ নোটিস পীনবা মরী লৈনবা চীফ এঞ্জিনিয়রদা হায়রগনি হায়না ফোঙদোকখি। কন্ট্রেক্টরশিংগী পীফম থোকপা শেনফমশিং পীথোক্কনি অমসুং মখোয়না থবকশিং অসি শুবা পাল্লিব্রা হায়বদু হংগনি হায়খি।

ষ্টেট লৈঙাক্না কোভিদ-১৯ পেন্দমিকনা মরম ওইরদুনা মপানদা মহৈ তম্লম্বা মহৈরোয়শিং ষ্টেট অসিদা লাক্কখিবদগী য়ুনিভর্সিটি অসিগী ইনটেক্ট কেপাসিটি হেনগৎহন্নবা খন্নদুনা লৈরিবনি হায়খি। মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মহাক্কী দিপার্টমেন্টনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী শেমগৎ-শাগৎকদবা থবক পুম্নমক অমসুং একাদেমিক ব্লোকশিংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্টগী থবকশিং য়ারিবমখেৎ থুনা লোইশিনদুনা য়ুনিভর্সিটি অসি মথং থাদা শঙ্গানবা পান্দম থল্লিবনি হায়খি।

ঙসিগী মিনিষ্টরগী য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা হায়র এদ্যুকেসনগী কম্মিস্নর এম হরেকৃষ্ণ, য়ুনিভর্সিটি অসিগী ভাইস চাঞ্চেলর অমসুং এঞ্জিনিয়রিং সেলগী চীফ এঞ্জিনিয়র ক্ষেত্রিময়ুম সরত অমসুং মহাক্কী এগজিক্যুটিভ এঞ্জিনিয়রসু শরুক য়াখি হায়রি।

খনগৎলবা শৈরেং লাইরিকশিংদা মনা পীগদৌরি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯(ঐচ এন এস):

ইম্ফালগী নোর্থ এ ও সী (কেক্রু পাৎ)তা লৈবা অইবশিংগী ঈপাক্লা চহী খুদিংগী ওইনা ফোংখ্রবা শৈরেং লাইরিকশিংদগী খনগৎলগা মনা পীরগনি হায়রি।

মসিগী মতাংদা অইবশিংগী ঈপাককী প্রসিদেন্ট বি এম সেরাজ অমসুং সেক্রেটরি এম এ হসিমনা পুন্না খুৎয়েক পীদুনা থোরকখিবা চেরোল অমনা হায়বদা মনা পীগদবা শৈরেং লাইরিকশিং অদু কুমজা ২০১৮, ২০১৯ অমসুং চৎলিবা কুমজা ২০২০ গী ওক্টোবর থা ফাওবগী মনুংদা ফোংখিবা শৈরেং লাইরিকশিং ওইগদবনি হায়রি।

মনা অসিগীদমক শৈরেং লাইরিকশিং অসি থাগৎপীরক্কদবা মীওইশিংনা অইবা মশাগী লাইরিক্কী কোপি ৩/৩, বাইও দাতা, পাসপোর্ট সাইজগী ফোটোগ্রাফ ৩/৩ চৎলিবা থা অসিগী ২০ ফাওবগী মনুংদা পীশিনবিরক্কদবনি হায়রি।

লাইরিক্কী কোপিশিং অমসুং ফোটোনচিংবা পুম্নমক নোর্থ এ ও সীগী কেক্রু পাৎতা লৈরিবা অইবশিংগী ঈপাককী ওফিস (মোবাইল নম্বর-৭০০৫১২১০৮১), মসিগী প্রসিদেন্ট বি এম সেরাজ (মোবাইল নম্বর-৮৮৩৭০৬৭০২৩) অমসুং মোদরেটর এম দি রসিদ আলি (মোবাইল নম্বর-৮৫৭৫৫০৬৬৬৮) তা পীশিনবিরক্কদবনি হায়রি।

নন-মণিপুরী ১ হাৎলপ্লে, জে এ সী ...

লামায় ১গী মখা... জে এ সীনা তোঙান-তোঙানবা দিমান্দ মরি য়াওবা মেমোরেন্দম অমা চীফ মিনিষ্টরদা পীশিনখ্রে। মেমোরেন্দ অদুনা য়াওরিবা মরু ওইবা দিমান্দশিংদি মীশি অসিদা চেন্নরিবা মরাল লৈবা মীওই অথুবা মতমদা ফারগা লোগী মতুং ইন্না অকনবা থবক লৌখৎলু। মীশি অসিগী মতাংদা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎলবা মতুংদা অশিবা হকচাং অদু লৈখিদ্রবগী ইমুংগী মীওইদা খুৎশিন্নবীয়ু। সেন্টর গভর্নমেন্ট অমদি ষ্টেট গভর্নমেন্টনা অৱাবা তারবা ইমুংদা রুলগী মতুং ইন্না এক্স গ্রেসিয়া অথুবা মতমদা পীবিয়ু হায়রি। লৈখিদ্রবা হকচাং অদু মহাক্কী পোক্লফম লমদম ৱেষ্ট বেঙ্গলদা পুনবগীদমক লৈঙাক্লা এরেঞ্জমেন্ট তৌবীয়ু হায়রি।

নবেম্বর ১২ অথৌবশিংগী নুমীৎতা হরাও-কুম্মৈ...

লামায় ১গী মখা... চনবীরবা লৈবাক অদুগী লৈঙাক্লা মখোয়গী খুবাম্লুংদা লৈনবা হোৎনবা নৎত্রগনা মীয়াম্বু হিংবগী হক পুম্বা নমশিন্দুনা থম্বা অনী অসি লোয় লৈঙাকশিংগী মচৎনি। অসুম্না ইরমদম কংলৈপাক্তসু ইন্দিয়ন ফোর্সেসনা চত্থরম্বা কেরোট এন্দ ষ্টিক মিজরস হায়বদি অহানবদা ওৎপা য়াবা ওৎপা, ফূবা য়াবা ফূবনি; মসিনা ওইবা য়াদ্রগনা অথুম-অহাও পীজদুনা থেম্বনি। অসিগুম্বা মোইথেম লাং অসিগী মখাদা ইন্দিয়ন ফোর্সেসনা ইরমদমগী ইমা-ইবেলশিং, স্কুলগী মহৈরোয়শিং, লোকল ক্লব/ওর্গনাইজেসন্নচিংবশিং কোনশিন্নবা হোৎনরক্লিবা অমদি মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা মিলিটরি সিভিক এক্সন প্রোগ্রামগী মখাদা পোৎ-চৈ পীবা, শেমগৎ-শাগৎপগী মতেং পাংলক্লিবা অসিনি। অসিতা নত্তনা গ্লোবেলাইজেসনগী প্রোসেস মনুংদা চাউখৎপা অমসুং ঈং-তপ্পা হায়বসি লৈঙাক অসিনা থিন্থহল্লি লোয়ননা লৈবাক্কী অচুম্বা তৌফম থোকপা নীংতম য়াওল অসিবু মালেম পুম্বদা টেরোরিজমনি হায়না উহন্দুনা লৈবাক মীয়াম্না নীংতম্বগী চঙশিল্লিবা য়াওল ঈহৌগী পরিং অসিবু লান্না পাউথোক্লি হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

অতোপ্পা মরুওইবা ৱাফম অমনা গ্লোবেলাইজেসনগী শেম্মীৎলোনদা প্রাইভেটাইজেসনদা হেন্না খুদোংচাবা পীবনিনা নুংঙাইবা খরনা পংনুং-নুংঙাইবনি; অয়াম্বদি থবক ফংলম্বদগী লৌথোকখিবা, লায়রবা লম পুম্বা মল্টি নেসনল কোর্পোরেসননা লাকশিল্লকপা অমসুং ফ্রী ট্রেদ এগ্রিমেন্টনা য়েলহৌমীশিংগী রিছোর্স পুম্বা নুংঙাই য়াইফবা লমশিংগী ওইখি। পুম্নমকসিনা নংবা য়ানা নংলবা মীয়াম পুম্বসি অমুক সেন্ট্রেল স্কিম কয়াগী শেন্থং মুন্নহন্দুনা অমগা অমগা খৎনহন্দুনা নুংশিনহন্দে। অসিতসু নত্তনা কমপ্লিট ইকনমিক দিপেন্দেন্সি ওইহন্দুনা ইরৈচাশিংবু খুদুম চনবীরবা লৈঙাক্কী মতেং য়াওদ্রবদি হিংবা ঙম্লোইদবগুম উহল্লি। নীংতম্বা য়াওল চত্থরিবা লৈবাক অমনা লৈঙাক্কী চানবী-মীৎয়েংখাদা পীথরকপা পোৎলমশিং ঙাইদুনা লৈফম থোক্তে, মদুগী মহুৎতা ঐখোয় খূদিংমক্লা কংলৈ খুন্নাইগী শেম্মীৎলোন ফগৎনবা হোৎনফম থোকই হায়রি।

ঙসি ঐখোয়না চত্থরিবা নীংতম্বা য়াওল ঈহৌ অসিগী মরুওইবা য়াংলেন শরুদি পোলিটিকেল আইদিওলোজি অমদি নেসনল ইকনমিনি হায়না পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, মায়োক্লরিবা ক্লাস কন্ট্রাদিক্সন অসি ওৎপীরবা মীয়াম অমসুং ওৎলিবা লমদুনি হায়রবদি ওৎলিবা লমদুগী অশোয়বা পোলিটিকেল-ইকনমি সিষ্টম অদুবু য়াদবা অমদি মখোয়গী অশোয়বা ফত্তবশিং অদু তোয়না খঙহন-উহনবনা ওৎপীরবা মীয়ামদা ৱাখল তাহল্লি। মখোয় পুম্বা ক্লাস কন্সিয়সনেস লাকহল্লকই। মসি নৎত্রবদি মখোয়সু ওৎপীরবা ক্লাসনি হায়বদুগী পনখে মনুংদা চঙলকপা ঙম্লোই। ওৎপীরবা ক্লাসকী মনুংদা থুনমক রেদিকেল চেঞ্জ অমা পুরকপা পাম্বসি লৌমী-শিন্নী অমসুং লায়রবা মীয়ামনি। লৌমী-শিন্নী লায়রবা ইমুং ময়ামসিগী য়াইফনবা অমসুং নীংতম্বা, চাউখৎপা, মান্নবা খুন্নাইদা য়ুম্ফম ওইবা লৈবাক অমা পুরক্লবা চঙশিল্লিবা ঈহৌনি হায়বসি ইরৈচাশিংনা হৌজিক্তি ময়েক শেংনা খঙনরকপগা লোয়ননা য়াওল ঈহৌ অসিদা থাজবা থম্নরক্লুনা তঙাইফদবা থৌদাং খূদিংমক লৌফম থোকই হায়বসি খঙনরক্লে হায়রি।

অদুবু লৈঙাক অসিনা য়াই থাদুনা পংথখ্রবা ইরমদমগী ইরৈচা খরদি মালেম পুম্বদা কোভিদ-১৯না পেন্দমিক ওইদুনা কংলৈপাক্তসু মসিগী চৈথেংনা খম থেংনা অৱাবা ফংলবা ফাওবদা করিমত্তা নাচুংদনা মশাগী ওইজবা খরগীদমক লৈঙাক্লা মতাং-মতম চাদনা থোকহল্লকপা খুৎশেমগী হীরম খরদা ঙাওহন্দুনা লৈখিবনা অকিবা ফংনা লেপ্পা লৈতনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯ লাইচৎতা হেন্না মতেং পাংশিনবা ওইনা থোক্লি। মসিমক্তি লৈবাক মীয়ামগী খ্বাইদগী হেন্না লাইবক থীবা তাঙ্ককনি। অদুনদি ইরৈচাশিং লৈঙাক্কী মোইথেম লাংদা পংথরগুমসি, মদুগী মহুৎতা অকিবা ফংনা শন্দোরক্লিবা লায়না-লাইচৎ অসিবু মালেমদগী করম্না মুখৎকদগে হায়বসিদা পুন্না কোক চুংশিনমিন্নরসি লোয়ননা লৈবাক মীয়াম হুপ্পা অপূনবা নীংতম য়াওল লাম্হেং অমা চত্থদুনা মাঙখিবা ইমা লৈবাক্কী নীংতম্বা অমুক হন্না হঞ্জিলহন্দুনা লমদমসিদা ঈং-তপ্পা, নুংঙাই য়াইফবা, নীংতম্বা, চাউখৎপা, মান্নবা খুন্নাই অমা শেল্লসি। অরোইবদা, লাক্লিবা নবেম্বর ১২, ২০২০ 'অথৌবশিংগী নীংশিং নুমীৎ' লাকপসিদা নীংতম য়াওল ঈহৌ অসিগীদমক্তা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবা-অথৌবী পুম্নমক্তা রেদ আর্মি, প্রিপাকনা ইকোক নোন্না ঈকায় খুম্নবা উৎচরি অমদি মখোয়গী থৱায়না ঈংনা চিক্লা য়াতাবা ওইরসনু হায়না চেরোল অসিনা অরোইবদা ফোঙদোরক্লি।

ওফিস চৎতনবা পোজিটিভ ওইরে ...

*লামায় ১গী মখা...*অফং-অফংবা থবক শুদুনা হিংজরম্বা মীওইশিংদি ঙসিসু অদুমক হিংনবগী লানফমদা অৱাবা-খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লন্দুনা হিংলি। অদুবু লৈঙাক্কী থবক তৌরিবা মীওই খরনা লাইচৎ অসিগী খুদোংচাবা লৌনরে হায়বগী ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লরক্লিবা অসি য়াম্না লাইবক থীবা থৌওংনি। লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা ওফিস খরদদি নুমীৎ খুদিংগী ওফিস চৎপসু নত্তে। চয়োল অমগী মনুংদা নুমীৎ নীনি-হুম্নি ওফিস চৎপা অসিদা ফাওবা চৎপা পামদদুনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়জিন্দুনা ওফিস চৎতনবা হোৎনবা য়াওরে হায়বগী চিংনবা লৈরে হায়রিবা ৱাফম অসিনা অচুম্বা ওইরবদি খুন্নাই অসিদা লৈরিবা লৈঙাক্কী থবক তৌবা মীওইশিং অদুগী হন্থবা থাক্কী ৱাখল্লোল অসি তশেংনা খুন্নাই অসিগী ওইনা লাইবক থীবনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

লৈঙাক্লা লাইচৎ অসি লাকশিন্নবগীদমক শেনফম কয়া কায়থোক্লুনা হোৎনরবসু লাইচৎ অসি লাকশিনবা ঙমদনা পোজিটিভ ওইবা অমদি শিবগী মীশিং হেনগৎলকপা অসিদা লৈবাক মীয়াম্না লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা থৌরাং-থৌশিলশিংদা চাওনা অহোবা কয়া লৈরবরা হায়বা ফাওবা ঙাঙনদবা নত্তে। অদুবু হৌজিক ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী ফীভম অসিদদি লমদম অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংনা অমত্তা ওইনা লেপমিন্দুনা লাইচৎ অসিবু লাকশিন্নবা হোৎনমিন্নবা মথৌ তাই। ষ্টেট অসিগী তুংগী য়াইফনবগীদমক লৈবাক মীয়াম পুন্না থবক তৌমিন্নবগী মহুৎতা মশাগী খুদোংচাবা খরগীদমক মীয়াম্না ৱাগদবা থবক-থৌরম তৌনরকপা অসিনদি চাওখৎপা-নুংঙাইবা অমদি মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা ষ্টেট অমা ওইরক্লবগী লম্বীদা চাওনা অয়েৎ-অপন পীবা হায়বদু ওইগনি। মরম অদুনা হীরম অসিগী মতাংদা লৈবাক মীয়াম্না নিংবু-নিংবু ঙাঙনরিবা ৱাফম অসি কদাই ফাওবা চুম্বনো হায়না লৈঙাক্লা, মরি লৈনবা মীওইশিংনা অমদি দিপার্টমেন্টগী লুচিংবশিংনা অখন্নবা থীজিন-হুমজিনবগী তঙাইফদবা লৈরে। করিগুম্বা ৱাফম অসিনা চুম্লবদি অদুগুম্বা মীওই অদু লোগী ওইবা চৈরাক লৈবাক মীয়াম খঙনা পীবিয়ু। মদুনা মখা তাবা মীওইশিংনা অদুগুম্বা অরানবা থৌওং অমুক হন্না তৌরক্লবা হোৎনরকপদা অচৌবা পারা অমা ওইগনি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

মীওই অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা লাইচৎ অসি লাকশিন্নবগীদমক ইন্দিয়া য়াওনা মালেমগী লৈবাক কয়াদা ভেক্সিন পুথোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরবসু করম্বা মতমদা হীদাক অসি পুথোরক্কনি হায়বা ঙসিসু অদুমক চপচানা হায়বা ঙমদ্রি। মরম অদুনা লৈবাক মীয়াম অমদি লৈঙাকপশিংগা লোয়ননা লৈঙাক্কী থবক তৌরিবা মীওইশিংগা অমত্তা ওইনা লায়চৎ অসি থেংনমিন্নবগা লোয়ননা ইশা-ইশাগী তৌফম থোকপা থবকশিং অদু তৌনরবদি লাইচৎ অসিবু মায়থিবা পীদুনা লৈবাক্কী শেনমিৎলোনদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরিবা অসিদগী খরমখৈ কনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি। অমরোমদা মহৈরোয়শিংনা থা কয়াদগী মহৈ তম্বা ফংদনা লৈরকপনা ককঙাউন্দুনা লৈরিবা অমদি লৈবাক মীয়াম্না অচৌবা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরিঙৈ চৈরক অসিদা লৈঙাক্কী ওফিসিয়লশিংগী মনুংদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়জিন্দুনা ওফিস চৎতবা য়াওরবরা হায়বগী চিংনবা লৈরে হায়বগী ৱাফম ঙাঙনরকপা অসি তশেংনা তাবদা অৱাবা অমদি নুংঙাইতবা ফাওই। মরম অদুনা লৈবাক্কীদমক অমদি লমদম অসিগী তুংগী খনবিদুনা অসিগুম্বা থবকশিং অসি তৌবিগনু। চাওখৎপা লমদম অমা ওইরক্লবা হোৎনবদা মফম অদুদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্কী অচৌবা থৌদাং লৈ হায়বসি কাউবিগনু হায়নসু মীওই অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

লৈঙাক্কী ইন্সট্রক্সন য়াওদনা প্রাইভেট হোষ্টেল চল্লাইবা য়াররোই

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯(ঐচ এনএস): ঙসি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর (দি সী) নিতা অরাম্বমনা থোকপা মেমোরেন্দম অমগী মতুং ইন্না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা লন্নাই মীওই খরনা মখোয়গী মশাগী য়ুমদা প্রাইভেট হোষ্টেলশিং চল্লাইদুনা মহৈরোয়শিংবু মফম অমদা পুন্না থমজিল্লে হায়বা খঙলে। থৌওং অসিনা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক শন্দোরকপা য়াবগী খুদোংথিবা হেনগৎহল্লে হায়রি।

মরম অসিনা মরী লৈনরিবা প্রাইভেট হোষ্টেল চল্লাইরিবা মীওইশিংনা লৈঙাক্কী ইন্সট্রক্সনশিং য়াওদ্রবদি মখোয়গী হোষ্টেলশিং অদু চল্লাইরোইদবনি হায়রি। কনাগুম্বশিংনা হোষ্টেল সর্ভিসিং মখা তানা চল্লাইরম্বা থেংনরবদি মদুগী থৌদাং পুন্নমক মীওই অদুদা ফিক্স তৌবগা লোয়ননা চৈরাকসু পীগনি হায়রি। দেপ্যুটি কম্মিস্নরগী মেমোরেন্দম অসিগী কোপিশিং দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এম এল এশিংগী প্রাইভেট সেক্রেটরিশিং, সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস অমসুং সব-দিভিজনেল পুলিস ওফিসর (এস দি পি ও)শিং/ওফিসর-ইন-চার্জ (ও সী)শিংদসু পীখিবগা লোয়ননা খুদক্তগী লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎনবা খঙহনখ্রে হায়রি।

লোয়ননা মেমোরেন্দম অসিগী কোপিশিং দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সব-দিভিজনেল ওফিসর (এস দি ও) অমসুং জোনেল এদ্যুকেসন ওফিসর (জেদ ঈ ও) দসু পীখি হায়রি।

ভোট মশীং থিনবা...

লামায় ১গী মখা... উৎকনি। মোবাইল এপ্লিকেসনগী খুথাংদসু মীখলগী ফল খঙবা ঙমগনি। ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওইনা ৱাঙ্গৈই এ সীদা পাঙথোকখিবা মরক্কী মীখলগা মরী লৈননা ভোট মশীং থিবগী থবক দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসতা অয়ুক পুং ৮দগী হৌরগনি। লম্ফেলপাৎতা লৈবা দি সী কমপ্লেক্সকী হোল অনীদা ভোট মশীং থিবগা লোয়ননা ওফিস বিল্ডিংগী অহানবা ফ্লোরদা লৈবা রুম নম্বর ঐচ-১৫দা ঈ ভি এমগী ভোট মশীং থিবা হৌগনি। ভি ভি পেট য়াওনা মশীং থিবগী থবক থৌরমশিং টেবল ৭তা পায়খৎনবা থৌরাং তৌবা লোইরে। পোষ্টেল বেল্লোটশিং মশীং থিবগী থবক্লা কোন্থীরৈ হোলদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

মরক্কী মীখল পাঙথোকখিবা এ সী...

লামায় ১গী মখা... মাঙহন্দনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী মীৎয়েং মখাদা মীয়ামগী থবক তৌগনি। লোয়ননা এ সী অসিগী মীয়াম্লসু মীয়ামগী ওইবা তৌবা য়াবা থবকশিং পাউতাক পীবীয়ু। মীয়ামগী অমদি ইরমদমগী খনবা অশেংবা লুচিংবা অমা লৈরবা মতমদতা ইরমদম ইরৈবাক অসি তংদু-লৈতোবা, চাউখৎপগী লম্বীদা য়াংনা চৎপা ঙমগদৌরিবনি। কুমজা ১৯৭২দা মণিপুরনা ইন্দিয়াগী পোলিটিক্সতা য়াওরকপদগী ঙসি ফাওবদা কনা কনানা ইরমদম অসিগী করম্বা থবক তৌখ্রবগে হায়বদু মীয়াম্না খঙনরবনি।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসি লাকপদগী লমদম অসিদগী য়েলহৌমীশিং মাঙখিবা য়াবগী অকিবা লৈরম্বা অদু চীফ মিনিষ্টরনা প্রাই মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা উনরগা য়েলহৌমীশিং অমদি লোকল রাইটশিং কঞ্জনবা আই এল পি চৎনহল্লকখিবা অসি লমদম অসিগী পুৱারীদা সনাগী ময়েক্লা ইদুনা লৈহৌরগনি। মসিমক অফবা মীয়ামগী খনবা লুচিংবা অমা লৈরে হায়বগী খুদম অমনি। পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবদা ইরমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ঐখোয় মশেল মরক্তা নুংশিনরক্তবা অমদি অকিবগী মশক লাক্লবা মতমদা চীফ মিনিষ্টরনা গো টু হিলস হায়বা মিসন অমা হৌদোক্লুনা ঙসিদি ঐখোয় মশেলগী মরক্তা লৈরম্বা অরানবা ৱাখল্লোনশিং অদু কোকহনবগা লোয়ননা অফবা মরী লৈরে। সোসাইটি অমা শেম্বদা খ্বাইদগী মরুওইবা অসি এদ্যুকেসননি হায়বসি মীপুম খূদিংদা খঙনরবনি। মরম অসিনা শোখনা লৈরল্লবা লমদম অসিগী এদ্যুকেসন সেক্তরবু চাউখৎহন্দবা য়াদে হায়বা ৱাখল্লোন্দা এদ্যুকেসনদা মায় ওনশিল্লসি গো টু স্কুল মিসন হৌদোক্লুনা এদ্যুকেসন সেক্তরগী অহোংবা পুরক্লে। লম্বী-থোং খরা শেল্লগা ইশাগী লন-থুম খর লেপশিনবা, মীয়ামগী চাউখৎ থৌরাংগী মিংদা ইশাগী য়াইফনবা তৌবা মীওইনা পোলিটিক্স তৌবা য়ারোই। এ সী অসিগী মাঙখ্রবা চহী তরাহুমদোই মখায় অসিদা তৌখিবা অরানবশিং অমদি এ সী অসিবু চাউখৎপগী লম্বীদা পুরকপগী ওন্ন-তৈনবদা মনিং হল্লগা চৎহনখিবশিং অদু চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী মখাদা পুকৎনবা হোৎনগনি। লোয়ননা এ সী অসি চাউখৎ মায়কৈদা ফুক্কৎনবা হোৎনগনি অমদি মীয়ামগী ইহুল খঙনা থবক তৌগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা অথোইবা মীথুং, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এস টিকেন্দ্রনা থৌরম মপু, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী মকোক থোংবা লুচিংবা কয়া অমদি ককচিং মন্দলগী লুচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি।

নবেম্বর ১৩ ফাওবগী মনুংদা ইরং থোং...

লামায় ১গী মখা... থোং শানবগী ৱাফম তকশিনখি। সেন্টরনা অয়াবা পীরক্লবসু টেন্দরগী থবক থৌরমশিং থিন্থবা মরম্না খুদক্তা আর সী সীগী থোং শানবা থবক পায়খৎপা ঙমদবনি। অথুবা মতমদা ইরং থোং শেমজিনবগী থবক লোইশিন্নবা চীফ মিনিষ্টরনা এন ঐচ আই দি সী এলদা খঙহনখ্রে হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

মীয়ামগী অৱাবা য়েংলগা অথুবা মতমদা ইরং থোং শেম্বা লোইরগনি হায়না পল্লদুনা মিনিষ্টরনা হায়খি, হৌজিক ফাওবদা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টতগী থোং শাবদা চঙগদবা মচাক-মথুম চাদা ৮০ রোম পুশিনখ্রে। নবেম্বর ১৪ দদি হান্নগী মতৌগুম থোং অসি লান্থোক-লানশিন তৌবা য়ারগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা লৈ।

পনবা য়াবদি, ৫২-এঞ্জিনিয়র রেজিমেন্টকী মীওই ৭০ রোম লৈমখোংগী ৫৭-মাউন্টেন দিভিজন হেদ ক্বার্টরসতা লৈদুনা ইরং থোং শেমজিনবগী থবক পায়খৎতুনা লাকখিবনি। এঞ্জিনিয়র অমদি লেবররশিংনা নুমীৎ খুদিংগী নুমীদাং পুং ১০ ফাওবা থোং শেমজিনবগী থবক তৌরি।

লম্বী পাকথোকপা য়াওনা নেসনল হায়ৱেদা তোঙান-তোঙানবা থৌরাং কয়া লৌখৎলগনি হায়না পল্লদুনা মিনিষ্টর অৱাংবৌ ন্যুমাইনা হায়খি, কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইরগা থোং শেমজিনবগী থবক্তা খোঙজেল তপথবা তারবসু নেসনল হায়ৱে পরিংদা তোঙান-তোঙানবা থৌরাং কয়া লৌখৎনবা শেম-শারে। মিনিষ্টরগী য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা নোনেগী দিষ্ট্রিক্ট ফোরেষ্ট ওফিসর নেপোলিয়ন রোংমৈ, দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস নিংশেম বাসুম অমদি অতৈ ওফিসল কয়াসু লোয়নখি।

মণিপুর জুদিসল একাদেমী ...

লামায় ১গী মখা... ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

তুংদা মিনিষ্টরনা ষ্টেট অসিদা পায়খৎলিবা জিওলোজি অমদি মাইনিংগা মরী লৈননা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমদা শরুক য়াখি। মীফম অদুদা সিমেন্ট ফেক্টরি অমা মণিপুরদা লিংখৎপা য়াওনা ৱাফম কয়ামরুম খন্ন-নৈনখি। চান্দেল অমদি উখুল দিষ্ট্রিক্ট য়াওনা ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়ামরুমদা ক্রোমাইট অমদি লাইমষ্টোন মরাং কায়না ফংবগী মতাংদা মিনিষ্টরনা হায়খি, ষ্টেট অসিদা মিনরেল মরাং কায়না ফংলবসু সেন্ট্রেল মিনিষ্ট্রিগী অয়াবা য়াওদনা মাইনিং তৌবা য়াদে। করম করম্বা মফমদা মিনরেল অমদি মাইন ফংবগে হায়বগী মতাংদা জিওলোজিকেল সর্ভে ওফ ইন্দিয়াগী রিপোর্ট লৌনবা মিনিষ্টরনা মরী লৈনবা ওফিসলশিংদা খঙহনখি।

মীফম অদুদা টেক্সটাইলস, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজগী দিরেক্টর এল বিক্রম, এম এফ আই সী এলগী মেনেজিং দিরেক্টর এস পিটর লোয়ননা জিওলোজি অমদি মাইনিংগী ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা ...

লামায় ১গী মখা... পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অদু ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ৮৫, ইম্ফাল ইষ্টতগী ৩৮, থৌবালদগী ১১, বিষ্ণুপুরদগী ৭, উখ্রুলদগী ৪, তমেংলোংদগী ২০, ফেরজোলদগী ১, ককচিংদগী ১, কাংপোকপীদগী ১, চুড়াচান্দপুরদগী ৩, চান্দেলদগী ২, জিরিবামদগী ৪ অমসুং সেনাপতিদগী ১নি। মীওই পুম্নমক অতোপ্পা ষ্টেটতা চৎলুবগী ত্রাভেল হিষ্ট্রি লৈতবা ঙাক্তনি।

হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা মীওই ১৮৭ নাবা ফগৎলকপদগী দিসচার্জ তৌখি হায়না পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, দিসচার্জ তৌখ্রবশিংগী মনুংদা সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ৪, হোম আইসোলেসন্দা লৈবা ৯১, রিমসতগী ৫, জেনিমসতগী ২, এল কে কেন্দগী ২১, লানভাদগী ২, য়ুনাক্কোদগী ২৪, সদভাবনাদগী ১, টি কে উখ্রুলদগী ১, আর দি ৱিংদগী ৫, জে এন ভি চান্দেলদগী ৫, বাল ভবনদগী ৯, বিষ্ণুপুরদগী ৪, জিরিবামদগী ১, লমদিংগী ৩ অমসুং তমেংলোংদগী ৯ য়াওরি।

ষ্টেট অসিদা হৌজিক কোভিদ-১৯গী অপূনবা কেস মশীং ২০,৫৫৮ লৈবগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ১৭,৭২৬ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ২,৮৩২ য়াওরি। লায়েংবদগী ফগৎলক্লবা মীওই ১৭,২৫৯ গী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ১৪,৬৮১ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ২,৫৭৮ নি। এক্টিভ কেস ৩,১০১ লৈবদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২,৮৫১ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ২৫০ য়াওরি। ফগৎলকপগী চাং চাদা ৮৩.৯৫ ওইরে হায়রি।

দিল্লি হায়কোর্টতা অমা ঙাংলগা...

লামায় ১গী মখা... ওর্দর অদুনা কোর্ট অসিগী জষ্টিস এন কোটিশ্বরনা লুচিংবা দিভিজন বেঞ্চ অমনা ওক্টোবর ১১, ২০১৮দা পীরম্বনি।

কোর্টকী ওর্দরসিদগী জর্নেল সিংহনা মহৈকোলসিগী এদমিনিষ্ট্রেটর ওইরক্লবা মতুং দিভিজন বেঞ্চনা পীরমখিবা ওর্দর অসি কোর্ট অসিমক্লা মে ২২, ২০১৯দা পীখিবা কম্মন জজমেন্ট অমসুং ওর্দরনা দিস্পোজ তৌরগা হান্নগী দিভিজন বেঞ্চনা পীরমখিবা ওর্দর অদু রি-এফার্ম তৌদুনা অমুক্কা হেন্না চেৎশিনহনখি।

অকোনবগী কম্মন জজমেন্ট এন্দ ওর্দর অসিনা খঙহনখিবশিংগী মনুংদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ওইনা অমসুং অকক্লনা মহৈকোলসিগী মহৈরোয়শিংগীদমক ইন্টরিমগী ওইনা এদমিনিষ্ট্রেটর খনখিবা জর্নেল সিংহনা এম য়ুগী ভাইস চাঞ্চেল্লরগী থবক থৌরমশিং মখা তানা পাঙথোকখিগনি। অদুবু মণিপুর য়ুনিভর্সিটি এক্ট, ২০০৫গী প্রোভিজনশিংদা য়ুম্ফম ওইদুনা ভিজিটরনা অনৌবা মীওই অমবু এম য়ুগী ভাইস চাঞ্চেল্লর ওইনা খন্দ্রিবা ফাওবা নৎত্রগা মীওই অনীগী ইন্দিপেন্দেন্ট ইনক্বারি কম্মিটিগী রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওইদুনা মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট (এম ঐচ আর দি)গী খুথাংদা এম য়ুগী ভি সীগীদমক ভিজিটরনা এপ্রোপ্রিয়েট এক্সন অমা লৌখৎলত্রিবা ফাওবগীনি হায়খি।

অদুবু হায়কোর্ট ওফ মণিপুরগী কম্মন জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অসি পীখ্রবা মতুংদা হান্নদগী সস্পেন্দ তৌদুনা থল্লকখিবা প্রো: এ পি পান্দেবু হৌজিক্লা মিনিষ্ট্রি ওফ এদ্যুকেসন হায়রবা মতমদুগী এম ঐচ আর দিগী দেপ্যুটি সেক্রেটরি সুরট সিংহনা ফেব্রুৱারী ২১, ২০২০ দা থোকপা ওর্দরনা এম য়ুগী ভি সী ওইবদগী টর্মিনেট তৌখি।

অদুম ওইনমক জর্নেল সিংহনা এদমিনিষ্ট্রেটর ওইবদগী ঈংলক্লবা এম য়ুগী ফীভম অমসুং প্রো: এ পি পান্দেবু টর্মিনেট তৌখিবদগী হাংদুনা লৈরবা এম য়ুগী ভি সীগী পোষ্ট অসিবু মেনশিন্নবগীদমক মিনিষ্ট্রিনা থবক লৌখৎলক্লগদ্রা হায়দুনা এম য়ুগী কম্যুনিটিশিং অমদি মীয়াম্না মিনিষ্ট্রিদা মীৎয়েং থম্লবা হৌরকপদা জুলাই ৮, ২০২০দা এম ঐচ আর দিগী অন্দর সেক্রেটরি বিজয়কুমারনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা 'নোর্মেলসি' হঞ্জিল্লক্লব্রা হায়দুনা হংলকপা চেরোল অমা থারকখি। এম য়ুগী রেজিষ্ট্রারদা এদ্রেস তৌদুনা থারকখিবা চেরোল (এফ. নম্বর- ৩৩/১০/২০১৮- সী য়ু. ফোর) অদুনা হায়কোর্ট ওফ মণিপুরনা ওক্টোবর ১১, ২০১৮ দা ইন্টরিম ওর্দরনা ন্যুত্রেল পর্সন জর্নেল সিংহবু এদমিনিষ্ট্রেটর ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীখ্রবনা মহাকপু ভাইস চাঞ্চেল্লর ওইনা থবক তৌবগী মথক্তা এম য়ুদা নোর্মেলসি পুরকপনা মহাক্কী প্রাইমারী দ্যুটি অমসুং রেস্পোন্সিবিলিটি ওইবনা মহৈকোল অসিদা মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিল্লক্লব্রা হায়দুনা হংলকখিবনি।

মিনিষ্ট্রিনা ৱাহং হংলক্লিবা চেরোল অসিগী পাউখুম জুলাই ২৩, ২০২০ দা এম য়ুগী রেজিষ্ট্রার প্রো: দল্লিয়ু চান্দবাবুনা অইবা চেরোল (নম্বর- এম য়ু/১০-৪/২০২০) ওইনা ইরগা অন্দর সেক্রেটরি অসিদা থাখি। মহাক্কী পাউখুমদা রেজিষ্ট্রারনা ফোঙদোকখিবদা 'মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা নোর্মেলসি হঞ্জিল্লে, মিনিষ্ট্রিনা অনৌবা ভি সীগী এপোইন্টমেন্টগীদমক এপ্লিকেসনশিংগী প্রোসেস তৌবা য়ারে' হায়খি।

এম য়ুগী পাউখুম চেরোলসি ফংলবা মতুংদগীদি পন্থদনা মিনিষ্ট্রিনা মহৈকোলসিগী অনৌবা ভি সী অমা খন্নবগী থবকশিং মখা তানা লৌখৎলকপা হৌরকখি। পোষ্ট অসিগীদমক এপ্লিকান্টশিংদগী এপ্লিকেসনশিং কৌখি। এপ্লায় তৌরকপশিংগী মনুংদগী খরখক সোর্ট লিষ্ট তৌদুনা খনগৎলগা মখোয়গী ইন্টরভিয়্যু ফাওবা পাঙথোকখি। অদুবু প্রো: এ পি পান্দেনা মহাকপু টর্মিনেট তৌবগী ওর্দর অদু হায়কোর্ট ওফ দিল্লিদা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর- ৪০৩১ ওফ ২০২০ ফাইল তৌরক্তুনা চেলেঞ্জ তৌরকখি। সিভিল রিট পিটিসন অসি য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া (কন্সর্ন মিনিষ্ট্রি) অমসুং অতোপ্পা ওথোরিটি অমগী মথক্তা ফাইল তৌরকপনি।

কেস অসিগী ৱায়েল দিল্লি হায়কোর্টতা চত্থরক্লিঙৈগী চৈরক্তা এম য়ুগী অনৌবা ভি সী অমা খন্নবগী থবক চত্থরে হায়বা খঙলকপদগী কেস অসিগী পিটিসনর ওইরিবা প্রো: এ পি পান্দেনা মহাকপু টর্মিনেট তৌবগী মায়োক্তা চত্থরক্লিবা কেস অসিগী ৱারোইশিন (ফাইনেল দিস্পোজেল) তৌদ্রিঙৈগী মরক্তা অনৌবা ভি সী অমা হাপ্পবগী থবক অসি লৌখৎলকপা য়ারোই, থবকসিবু থিংদুনা (ষ্টে তৌদুনা) থম্বীয়ু হায়না সিভিল মিসেলিনস (সী এম) পিটিসন অমা হায়কোর্ট অসিদা মহাক্কী মেন পিটিসন অসিগা মরী লৈনহল্লগা ফাইল তৌরকখি। ষ্টেগীদমক মহাক্কী সী এম পিটিসন অসিগী নম্বরনা- ১৪৪৫০ ওফ ২০২০ নি।

দিল্লি হায়কোর্টনা প্রো: এ পি পান্দেগী সী এম পিটিসন অসি লৌখৎলক্লুনা থেঙ্খাং নাইনা চত্থখিবা মসিগী ৱায়েলদা মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী ওগষ্ট ১৮, ২০২০দা কোর্টসিদা ফোঙদোকখিবদা কেস অসিগী রেস্পোন্দেন্টশিং ওইরিবা য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া অমসুং অতোপ্পা ওথোরিটি অসিনা দিল্লি হায়কোর্টসিদা হৌখিবা জুলাই ৮, ২০২০ দা তৌখিবা সবমিসন (ফোঙদোকখিবা ৱাফম)শিং অদু ঙাক্লা চৎকনি হায়না অমুক্কসু হন্না ফোঙদোকখি। মখোয়না কোর্ট অসিবু ঈকায় খুম্নে হায়বগা লোয়ননা কেস অসিগী মথংগী হিয়রিং ফাওবদদি অনৌবা ভি সী ওইনা খন্নবগীদমক মায় পাক্লবা কেন্দিদেটতা ফাওবা মহাকপু পোষ্ট অসিগীদমক 'ওফর ওফ এপোইন্টমেন্ট' পীরোই হায়না য়াম্না ময়েক শেংনা ফোঙদোকখি।

ৱাফমসি মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী প্রো: এ পি পান্দেনা অনৌবা এম য়ুগী ভি সীগীদমক মীওই অমা খন্নবগী থবক থৌরমশিং ষ্টে তৌবীনবা হায়জরকপগী ৱায়েলদা ভি সী খনবগী থবকসি থা ২/৩ চঙখিগনি হায়না কোর্টসিদা হঞ্জিল-হঞ্জিল ফোঙদোরক্লবা মতুংদা মিনিষ্ট্রিনা কোর্টসিদা পীরকপা মখোয়গী খোঙফমনি। দিল্লি হায়কোর্টতা কেস অসি থা অসিগী ৪দা মখা তানা ৱায়েল চত্থনবগীদমক লিষ্ট তৌরবসু মপুং পানা লোইশিনখিদবদগী মখা তানা খন্ননবগীদমক থা অসিগী ১৭তা অমুক হন্না লিষ্ট তৌখ্রে। মরম অসিনা ভি সীগী 'ওফর ওফ এপোইন্টমেন্ট' পীখিরোই হায়বা খোঙফমসি কেস অসিগী মথংগী নুমীৎ থা অসিগী ১৭ ফাওবদি তঙাইফদনা লেংদনা লৈবা তারি। অদুবু খ্বাইদগী ঙক্লিবদি দিল্লি হায়কোর্টতা এম য়ুগী অনৌবা ভি সী খন্নবগী প্রোসেসতা মায় পাক্লবা মীওই (সক্সেসফুল কেন্দিদেট) ফাওবদা ওফর ওফ এপোইন্টমেন্ট পীখিরোই হায়রিবা মিনিষ্ট্রিনা হায়কোর্ট ওফ মণিপুরদনা এম য়ুদা হৌজিক নোর্মেলসি হঞ্জিল্লে। মরম অদুনা মহৈকোল অসিগী ভি সীগী থবক থৌরমশিং পাঙথোক্লবগীদমক 'প্রো ভি সী' অমা নৎত্রগা সিনিয়রমোষ্ট প্রোফেসর অমা খঞ্জগে হায়দুনা মিসেলিনস কেস অমা ফাইল তৌরকপা অসিনি।

হায়কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকপা মিসেলিনস কেস অসিগী নম্বর- এম সী (পি আই এল) ৫১ ওফ ২০২০ নি। মসিগী এপ্লিকান্টনা মিনিষ্ট্রিগী সেক্রেটরিনি। কেস অসি হায়কোর্টসিনা লৌখৎতুনা মথং-মথং খন্নরকখ্রবা মতুং থা অসিগী ৫ দসু জষ্টিস লানুসুংকুম জামির অমসুং জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিনগী দিভিজন বেঞ্চতা লিষ্ট তৌদুনা লৌখৎখ্রে। চৈরকসিদা হান্ননা এম য়ুগী প্রো: এ পি পান্দে লৈরিঙৈদা থোকখিবা ৱাথোক্তা মরী লৈননা পি আই এল অমা ফাইল তৌখিবা মীওই অমনসু মহাকপুসু মিনিষ্ট্রিনা ফাইল তৌরক্লিবা মেট্টর অসিগী রেস্পোন্দেন্ট (পার্টি) অমা ওইনা অমুক য়াওহনবীয়ু হায়জরকপদা কোর্টনসু অয়াবা পীথোকখ্রে। কেস অসিগী মখা তাবা হিয়রিংগীদমক কোর্টনা থা অসিগী ২৬ তা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবসু দিরেক্সন পীখ্রে।

অমরোমদনা, মিনিষ্ট্রিনা এম য়ুগী ভি সীগী থবক তৌনবগীদমক প্রো ভি সী/সিনিয়রমোষ্ট প্রোফেসর অমা হাপ্পদা অয়াবা পীবীয়ু (হাপচগে) হায়দুনা মিসেলিনস কেস অমা ফাইল তৌরক্লে হায়বসি তারে হায়রদুনা মুসুগী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম বোবিনা হায়কোর্ট ওফ মণিপুরগী রেজিষ্ট্রার জেনরেলদা মুসুগী লেট্টর হেদতা অইবা চেরোল অমসু পীশিল্লকখ্রে। হায়কোর্টসিদা মমাঙ থাগী ১৯দা পীশিল্লকপা চেরোল অসিদা হায়জরক্লিবনা কুমজা ২০১৮দগী হায়কোর্টনা এদমিনিষ্ট্রেটর এপোইন্টমেন্ট পীরকপদগী মণিপুর য়ুনিভর্সিটি এক্ট, ২০০৫গী মখাদা লৈরিবা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ষ্টেচুশিংগী মনুংদগী ষ্টেচু-২(৬) কী প্রোভিজনশিং মহৈকোল অসিদা হৌজিক হৌজিকমক চৎনদুনা লৈরি। মরম অসিনা লৈরিবা ইস্যু অসিদা মুসুনা পান্বদি য়ুনিভর্সিটি অসিগী কম্যুনিটি পুম্নমক্কী 'বেষ্ট ইন্টরেষ্ট'তা পর্মেনেন্ট সেট্টলমেন্ট অমা পুরক্লবগীদমক রেগ্যুলর ভাইস চাঞ্চেল্লর অমা হাপ্পীয়ু হায়দুনা ফোঙদোরকখি হায়রি।